থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# খঙবা, খঙদবা অমদি খঙ’ঙমদবা

‘ৰা নৎত্রগা ৰারী অসি লুমনখ্রে, ঐহাক খঙবা ঙমদরে’ - ঐখোয় মশেনগী মরক্তা য়াম্না তোয়না ঙাঙনরবা অমদি খঙনরবা ৰাহায়নি। ঙসি ঙরাং অসিদা অসিগুম্বা ৰাহায় অসি কনাগুম্বা অমগী আর্তিষ্টিক ক্রিয়েসন অমখক য়েংলুঙৈদগী কন্না অমুক ঙাঙনরকই - কলা অসি লুমনখ্রে ঐহাক খঙবা ঙমদরে। কলাগী পোত্থোক হায়বসিবু, মীনা খঙবা ঙমদবা পোৎশক অদুরা? আর্ট হায়বা অসিবু ‘অরুবা আর্ট’, ‘অরায়বা আর্ট হায়বা মখল অনী থোকপরা ? আর্ট হায়বসি করিনো - ঐবু খুস্মু হায়রবা, কনাগুম্বা অমা নৎত্রগা অদোমবু পেলহনবা পাউখুম অমা পীবা ঙমনি থাজদে। মরমদি ঐ কলা হায়বসি করিনো? ঐহাক খঙদে। অদুবু ঐ কলাবু পামজবা মীশক অমনি। কলা/আর্ট হায়বসি পামজরুবনা, পোৎশকসিগী মরমদা কনানা করি হায়খিবা - নীংশিংদুনা শান্নবা, ঐগী পামজবা অমনি। ময়ামদুগী মনুংদা, পামজবা অনীখক নীংশিংজগে ... ‘অঙাং খুদিংমক অফবা কলাকার অমমমনি, অদুবু, মানা চাউখৎলক্লগা কনানা কলাকার ওইনা লৈহৌবা ঙম্বগে হায়বদুনি লুরিবদি ...’ (পাব্লো পিকাসো)... ‘আর্ট হায়বসি, ঐখোয়বু, মতম অমত্তদা মাঙহনবসু থিজবসু ঙমহল্লিবা পোৎশক অদুনি ...’ (থোমাস মর্তন)।

অফাওবা কনানা হায়রম্বনো হায়বগী রেকোর্দতুদি খঙদবা ৰাহায় অমগা লৈ .. ‘কলা হায়বসি ফজবা থিবগী খোঙচৎ অমনি’...। ফজবা হায়বা পোৎসিবু থিরুবদা ফংগদ্রা? নুংশিবা লৈত’ মফমদা ফজবা লৈবা হৌনব্রা? থম্মোয়দা খোয়দাবা/পামজবদু নৎত্রা নুংশিবা ? অপাম্বা অমদি নুংশিবা - করি খেন্নে অনীসি? ‘অপাম-নুশি ঈহৌরকপা’ হায়বা ৰাহৈ ৰাপা অমা শেল্লম্বনা, খল্লি ৰাখলসিদদি, অনী অসি থাদোক্লবা য়াদবা ইথিলদুনি। অদুবু গৌতম বুদ্ধনা হায়রম্বা ৰাহৈ অমনা অমুক খন্থহল্লকই - অনী অসি মান্নদে। ‘ফজবা লৈ অমা পাম্লুরবা, লৈখোক্তগী হেক্লিংগনি, লৈরাং অদু নুংশিরবা, ঈশিং চাইবীনীংগনি, কেনখিগনি ৰাগনি, অতোপ্পা কয়া শাৎহন্নীংগনি’... কয়া ফজনা তাক্লিবা অনীসিগী খেন্নবনো ।

অদুদি, ফজবা-নুংশিবা-অপাম্বা করিনো মশক তাক্লবা চপ চাবা মীওইবগী ৰাহৈ লৈবরা? ৰাহং অমা থোরকই। খঙবা ঙমদবা পোৎশক অমা তাক্লবা মীওইবগী ৰাহৈ লৈবা হৌনদে। ৰাখল অসি খল্লুঙৈ, মখা তাবা ৰাখল অমদা লম্মুক্লে। খঙবা ঙম্বা অমদি খঙবা ঙমদবা - পোৎশক অনীখক লৈ, ঙসিগী সাইন্স’না হায়বনি। ফজবা-নুংশিবা-অপাম্বা হায়বসি করিনো? সাইন্টিফিক ওইবা দিফিনিসন - কনানসু পীঙল্লোই। ঈশ্বর হায়বা পোৎশকসিসু ফজবা হায়বা পোৎশকসিগুম্বনি - খঙই হায়বসু য়াদবা, খঙদে হায়বদুসু য়াদবা । মতাংসিদা থোক্লকই - রিলিজন অমদি সাইন্স। ধর্ম্মনা হায় - তাইবংপানবা অসিদা পোৎশক অহুমখক লৈ। অখঙবা পোৎ - মওং মতৌ, মশক-মওং, মতিক মগুন করিনো নীংথিনা খঙলবা, মীঙোন্দা তাকপা ঙল্লবা। অনীশুবা পোৎ, খঙদ্রিবা পোৎ - হৌজিক ফাওবদি খঙদ্রিবা, কোন্না খঙলক্কদবা থিজিল্লিবা পোৎশক অমা। অদুগা, অহুমশুবা অদুনা - হৌজিক ফাওসু খঙদ্রিবা, কোন্নসু সুকখঙ খঙলরোইদবা, থিরবসু ফংলরোইদবা পোৎশক অমা । অদুগা মোদর্ন সাইন্সনা হায় - য়ুনিভর্স অসিদা লৈরিবসি পোৎশক অনীখক্তনি - খঙলবা পোৎ অমদি খঙলক্কদবা পোৎ! ‘খঙঙমদবা’ নৎত্রগা ‘খঙঙল্লরোইদবা’ হায়বা ৰাহৈ অসি রিলিজন’না পুথোক্লকপনি। ‘ঈশ্বর’ কৌবা পোৎশকসিনি।

কনাগুম্বা অমনা কনাগুম্বী অমদা হায় ... ‘ঐনা নঙবু অসুক্কী মতিক নুংশিজৈ... আই লব য়ু সো ... মচ’। মহাক্কী ৰাহৈ অদুনা মহাকপু নুংশিরে হায়বগী অশেংবা খুদম চাংদম ওইবা য়াবরা? মতমপাক্তা পল্লিবা মচাদুবু মমানা কয়ামুক য়াম্না নুংশিবা ফোঙদোক্ল বগীদমক ৰাহৈগী মথৌ তাবরা? থাউমৈনা অমম্বা ঙালহল্লি হায়বদি খঙই ঐখোয় পূম্নমক্লা। অঙৌবা চেবাঙ অমদা ‘থাউমৈ’ অমা য়েক্লগা ফক্লাংদা নপুনা থম্লগা অমম্বা কাদুদি ঙাল্লক্লোইদনা। থাউমৈগী ৰারী শারগা, নুংশিবগী ৰারী লীরগা অমম্বদু ঙালহল্লোই, নুংশিনবা হেনগৎলোই। মীওইবগী ৰাহৈদুগী ৰাংমদা চৎপা ঙম্বা অদুনি, লোন্থোক্তবা মচাদা খোমইল্লিবী মমাদুগী খোল্লাংদুনি নুংশিবগী পাউজেল পুরিবদি।

ৰারী অমা নীংশিংলকই। পিকাসোগী লাইদা ঙাওজবী নুপী অমনা নোংমা, মহাক্কী পেইন্তিং ষ্টুদিও (লাই য়েকফম)দা লাক্লগা হায়রে হায় ... ‘ঐগী মরুপ অমগীদা নশানা য়েকচবা নশাগী শক্তম কয়া থেন্দুনা থম্লম্মী, কয়া নীংথিজখরে, ঈশাবু খাম্বা ঙমহৌদদুনা শক্তমশিংদু কোল্লগা পুক্লিং পেন্না চুপচখি’...

পিকাসোনা খুম্লকখি, ‘ থৌদোক্তুগী মখাদি ? ... মনা হন্না চুপ্লক্ত্রা?’


‘হায়মা ! করিনো নঙবু ঙাওরবরা... অয়েকপা লাইনবু অহীংবদা চুপকদ্রা ?’

‘লাই অদু ঐগী শক্তম ওইরম্লোই ... নঙনা চুপ্লুবদা মানা হান্না চূপ্লক্তবা শক্তমদু ঐগী শক্তম ওইফম থোক্তে ... ঐহাক ওইরম্লবদি শোয়দনা হান্না চূপ্লম্লি।’

মীওইবগী ৰাহৈ! অচুম্বদু করিনো তাক্লবগীদমক্তি য়াম্না মপুম ফাদ্রিবা, মচেৎ ওইবা লোন’দুনি। পুন্সিগী হকথেংনবা এক্সপরিয়েন্স, লৈনাদা পকপা লীক্লাগী ফজবা, থম্মোয় ফাওনা চঙলকপা লৈরাংগী লৈনম, অয়ুক্তা খোংলকপা চেক্লাগী ঈশৈ, ঈরাং হৌরবা ৰাহোংগী জগোয়, কংলুরবা লৈকোলদা অনৌবা য়েন্নিং ... পূম্নমক্তুগী ফজবা ফোঙদোক্লবা মীওইবগী ৰাহৈ কদায়দগী থিরুনি। ‘কয়াদা ফজ খ্রবা মপু মাগী খুৎশেম্নো!’ ৰাহৈ অসিখক্তনি মীওইবনা খঙজবা, খঙঙমদবদুগী মরমদা ।

লৌশিং পুক্কে

# ওষ্টিওপোরোসিস : শরু পাথরক্তুনা দেন্সিটি হন্থরকপদগী ইরায় লায়না শরু তেক্লকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকপা অনাবা



ওষ্টিওপোরোসিস হায়বসি শরু পাথরক্তুনা দেন্সিটি হন্থরকপদগী ইরায় লায়না শরু তেক্লকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকপা অনাবা মখল অমনি। তপ্না তপ্না ফিভম হেঞ্জিল্লকপা লায়না অসিনা নারবা মীওইশিংগী বোন মিনরেল দেন্সিটি (বি এম দি) হন্থরকপগা লোয়ননা বোন মাইক্রোঅর্কিটেকচর শোকচিল্লকই অমসুং শরুদা য়াওবা তোঙান তোঙানবা প্রোটিনগী চাং অমদি মখলদা অহোংবা লাকই।

প্রাইমারি টাইপ ৰান, প্রাইমারি টাইপ টু অমদি সেকন্দরি হায়দুনা ওষ্টিওপোরোসিসকী মখল খরা থোক্লা খায়দোকই। থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুং নুপীশিংদা য়াম্না তোয়না নাগনবা ওষ্টিওপোরোসিস মখল অদুবু প্রাইমারি টাইপ ৰান নৎত্রগনা পোষ্ট মেনোপোজেল ওষ্টিওপোরোসিস কৌই। প্রাইমারি টাইপ-টুনা মশাগী চহী ৭৫ হেল্লবা মীওইশিংদা নাগল্লি। লায়না অসি নুপী অমসুং নুপাদা নাবগী রেসিওনা ২ঃ১ নি।

অমরোমদা সেকন্দরি ওষ্টিওপোরোসিসতি নুপা অমসুং নুপী অনীমক্তা চপ মান্ননা নারকপা য়াবগা লোয়ননা চহী মতাং অমদা হেক্তা নারকপা য়াই। ওষ্টিওপোরোসিস মখল অসি মতম শাংনা অতোপ্পা লায়না অমনা নাবদগী নৎত্রগনা গ্লুকোকের্টিকোইদকুম্বা হীদাক লাংথক মতম শাংনা চাবদগী ওইহল্লকপনি। মরম অদুনা ষ্টেরোইদ নৎত্রগনা গ্লুকোকোর্টিকোইদ ইন্দ্যুসদ ওষ্টিওপোরোসিস হায়নসু খঙনৈ।

লায়না অসিগী চপ চাবা লায়ওং অমত্তা লৈতবা তারবসু করিসু নত্তবা ইচম চম্বা থৌদোক অমদসু শরু হেক্তমক তেকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপা য়াই। অয়াম্বা মতমদা খ্বাঙ, খুজেং, খোঙজেং অমদি য়াঙলেন শরু তেকপা য়াই। ওষ্টিওপোরোসিসকী খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মচৎসু শরু তেক্কনবা হায়বসিনি। অহল ওইরবা মীওই কয়া শরু তেকপদগী লেঙবা ওৎপা ঙমদবগী অৰাবা মায়োক্লরিবনি।

ওষ্টিওপোরোসিসনা মরম ওইরদুনা শরু তেকপা (ওষ্টিওপোরোটিক ফ্রেকচর) গী রিস্ক ফেক্টরশিংগী মনুংদা শেমদোকপা য়াবা অমসুং শেমদোকপা য়াদবা হায়না মখল অনী থোক্লা খায়দোকপা য়াই। চহী য়ামশিল্লকপদগী অহল ওইশিল্লকপা হায়বসি শেমদোকপা য়াররোইদবা রিস্ক ফেক্টরনি। নুপী ওইবিশিংদা থাগী খোঙকাপ লেপখিবদগী হোর্মোন (ইষ্ট্রোজেন) গী চাং হন্থখিবা হায়বসিসু থিংবা ঙল্লরোইদবা থৌওংনি।

ইশা ইশানা হোৎনদুনা থিংবা অমদি শেমদোকপা য়াবা রিস্ক ফেক্টরশিংদি য়ু কা হেন্না থকপা, মৈখু শিজিন্নবা, মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবা, হকচাংদা ভিটামিন দিগী চাং ৰাৎপা অমসুং ইশাগা চান্নদবা মওংদা হেঞ্জিন্না হকচাং শাজেন তৌবনচিংবনি। অতৈ-অতোপ্পা অরুবা অনাবা অমা লৈবদগী লেঙবা-ওৎপা ঙমদদুনা মতম শাংনা হীপচিন্দুনা অমদি ফমজিন্দুনা লৈবনসু শরুগী মপাঙ্গল শোন্থহল্লক্তুনা ওষ্টিওপোরোসিসকী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

কনাগুম্বা অমা ওষ্টিওপোরোসিসনা নারে হায়বা খঙনবগীদমক রেদিওগ্রাফিগী মতেং লৌবগা লোয়ননা বোন মিনরেল দেন্সিটি (বি এম দি) ওনবা মথৌ তাই। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা অনাবা অসিদগী মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবগীদমক চাবা থকপদা চেকশিনবগা লোয়ননা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌদুনা মশল কনখৎহনগদবনি অমসুং মৈখু শিজিন্নরোইদবনি।

অখঙ অহৈশিংগী মত মতুং ইন্না নুমিৎ খুদিংগী মীওই অমনা য়ামদ্রবদা কেলসিয়ম মিলিগ্রাম ১০০০ অমসুং ভিটামিন-দি ইন্টরনেশনেল য়ুনিট ৮০০ ফংবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি। মসিনা শরু শোন্থরক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। মরম অদুনা নুমিৎ খুদিংগী কেলসিয়ম অমদি ভিটামিন দি মরাং কায়না য়াওবা চীঞ্জাক নৎত্রগনা ফুদ সপ্লিমেন্ট চাগদবনি।

# কোদ ওফ কন্দক্ট মনুংদা শেল কায়থোকখিবা য়েংশিনবীনবা সী পি আইনা ঈ সী আইদা ৰাকৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস): লোক সভা ইলেক্সন ২০১৯ গী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনরিঙৈ মনুংদা ষ্টেট অসিগী দিপার্টমেন্ট কয়াদা য়াল্লবা শেনফম কায়থোকখি হায়বা ৰাফমগী মতাংদা য়েংশিনবীয়ু হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা কমপ্লেন তৌখ্রে।

সী পি আই মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরি সোটিনকুমারনা ইলেক্সন কম্মিসনদা ৰাকৎখিবা চেরোল অদুদা পল্লিবা মপুং ওইবা ৰাফমদি ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট মনুংদা ৰার্ক্স অমসুং পৱার দিপার্টমেন্টতা য়াল্লবা শেনফম কায়থোকখ্রে হায়বগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিএটনা থা অসিগী ১৩ দা চেরোল অমা থোকখি। নুমীৎ অদুদা কেবিনেট মীটিংসু পাঙথোকখি। পৱার অমসুং ৰার্ক্সকী শেল য়াম্না কায়থোকখিবা অদুগী মতাংদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি বুমলুনমাং, কম্মিস্নার নিধি কেসৰানি অমদি দেপ্যুটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু অজিৎ য়াওবা ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমদুনা থিগৎহন্ননবা চেরোলসু থোকখ্রে।

রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজরনা এস বি আইগী চ্যেরমেনদা মণিপুর লৈঙাক্কী পেমেন্টশিং লেপ্পৱা থা অসিগী ১১ দা ইন্সত্রক্সন তৌবগী চেরোল অমসু থোকখ্রে। জুন ১২ দগী মণিপুর লৈঙাক্কী একাউন্টদগী ফন্দ ট্রাঞ্জেক্সন তৌবা থিংখ্রে। ষ্টেট অসিদা ওভরড্রাফ্ট লুপা ক্রোর ২৪৮.৪৮ লোম তারে। ষ্টেট লৈঙাক্লা এমপ্লোয়ীশিংগী সেলরি ফাওবা পীবদা অৰাবা মায়োক্লরকপগী ফীভম লাক্লি।

কোদ ওফ কন্দক্ট মনুংদা শেল য়াম্না কায়থোকখি হায়বগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোকখ্রে। মরকসিদা, ফাইনান্সকী ফম পুরম্বা দেপ্যুটি সী এমগী মায়কৈদগী জুন ১৩ দা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা লুপা ক্রোর ২ গী মথক্তা লৈবা শেনফমশিংদি চীফ মিনিষ্টরগী খুত্থাংদা চৎপনি হায়বা ৰাফম থম্বা লৈখ্রে। চার্জ অমদি কাউন্টর চার্জ তৌনদুনা লাক্লি। মসিনা তাকপদি ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট মনুংদা শেল কায়থোকখ্রে হায়বনি।

হিরমসিগী মতাংদা ইলেক্সন কম্মিসন্না থিজিনবীয়ু। থৌওং অসি ইলেক্সন কোদ ওফ কন্দক্ট থুগাইরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা কয়া লৈরে। ইলেক্সন কম্মিসনগী মায়কৈদগী য়েংশিনবীয়ু। প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা লুচিংবা কম্মিটিনা চীফ মিনিষ্টর অমসুং মিনিষ্টর কয়া ইনভোল্ব তৌবা কেসতা থিজিনবা হায়বসি মতিক চাদে। কম্মিসন ওফ ইনক্বারি এক্টকী মখাদা কম্মিটি অমা শেমদুনা থিজিনহনগদবনি হায়নসু মখা তানা পল্লি হায়রি।

# মণিপুরদা এন আর সী চৎনহন্নবা তকশিনবা হায়বা য়াওনা ৰারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস): তেরা কৈথেলদা লৈবা আইদিএল ক্লবকী শঙলেন্দা এস আর ইনষ্টিট্যুট ওফ মণিপুর ষ্টদিজনা শীন্দুনা মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা প্রোব্লেম অমদি এন আর সী চৎনহন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে হায়না ইনষ্টিট্যুট অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খন্ন-নৈনখিবা অদুদা সনামহী টেম্পল বোর্দকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট নেপ্রম বিহারী, এম য়ুগী প্রোফেসর দল্লিয়ু নবকুমারনা মোদরেটর ওইখি। য়ু সী এমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট সাপমচা জদুমনি, সেট্টলমেন্টকী হান্নগী দিরেক্টর ইবোয়াইমা, দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ডা. সগোলশেম লনচেনবা, এস টি দি দিমান্দ কম্মিটিগী ভি পি লাইশ্রম লোকেন্দ্রনচিংবা কয়াসু য়াওখি। আইদিএল ক্লবকী প্রসিদেন্ট আর কে তোম্বীসনানা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা ৰারেপ কয়া লৌখি। ৰারেপশিং অদুদি, কুমজা ১৯৭১ গী সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা অসামগী মতৌগুম্না মণিপুরদা এন আর সী চৎনহন্নবা হায়জবা, চীংগী শোত্থহৌরবা লমশিং চাউখৎননবা অনৌবা ষ্টেট হায়ৰে ১০ শেমগৎনবা হায়জবা, খুলগী অহল-লমনশিং য়ানদুনা খাসলেন্দদা পীখ্রবা ইংখোল অমসুং লৌফমশিং পাট্টা পীনবা হায়জবা, কৌব্রু চীং, থাংজিং চীং, ৰাংবুরেলগী অনাল খুল্লেনদা লৈবা খুভম, সগাংগী লাই সন্থোংনচিংবা মফমশিং লাইফম ওইনা অমসুং টুরিষ্ট সেন্টর ওইনা শেমগৎপা, ক্লাস থ্রীগী থবক লৌবদা দিল্লিগুম্না ষ্টাফ সেলেক্সন বোর্দনা লৌহনবা, তম্পাক্তা তারিবা মীয়ামগীদমক লৈঙাক্লা ষনজাবুং ওইনবা, য়ুম শানবা, শীং চন্নবা পীরম্বা উয়োকশিং ঙাক শেন্নবা অমসুং উ থানবা হায়জবা, দিমান্দশিং অসি তকশিন্নবা মণিপুর শেমগৎপা লূপ কাঙলুপ হায়না কৌবা সাপম ভৈগ্যেনা কনভিনর ওইবা এদহোক কম্মিটি অমা শেম্বা হায়বা অসিনি হায়রি।

# ফম মুন্নদুনা লৈরে : এসোসিএসন


ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস): বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা লৌমীশিংগী অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী মহুৎতা ফম মুন্নদুনা লৈরে হায়না ওল মোইরাং য়ুথ দিভ্লপমেন্ট এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি বি কে মঙাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৌমীশিংদি নোংম-নোংমগী ৰাবা হেনগৎলক্লি। কুমগী নোং ঙাইবা নত্তনা লৌমীশিংনা ঈশিংগী অতোপ্পা উপায় লৈত্রে। ঈথৈ-লৌখোংগী মতাংদা চহী ২০/৩০ গী মমাঙদা লৈরম্বা ফীভম অদুদগী অহোংবা লৈতে।

মোইরাং এ সী অসি অসুক্কী মতিক শোত্থবা ওইরি। লৈঙাক অসিনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। অতোপ্পা লমদগী লাকপা মীওইশিংগী লম কোয়ফম ওইরিবা মফম অসি লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙফম থোকই। টুরিজমগী ওইবা শেমগৎ-শাগৎফম থোকপশিং শাগৎপগী মমি উদ্রি। মসি পুৰারীগা শাগোন্নরবা মোইরাং এ সীগী মীয়াম্বু মীরায়বনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# কাঙু চিংজিলদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৭ (ঐচ এন এস): রিলিফ সেন্টর ফোর ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্দলি এবল্ড পার্সন, সৈনা ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্স, চিনিকোন অমদি কাঙু চিংজিল খুনৌ য়ুথ ৱেলফ্যের ক্লবনা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা কাঙুচিংজিল খুনৌদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা ডোক্তরশিংনা তোঙান তোঙশনবা লায়না-লায়ওং কয়াগী মতাংদা খুঞ্জাশিংদা ৰাফম কয়া থমখি। মীওই ১৬০ রোম লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক-লাংথক কয়াসু খুৎশিন্নখি। মেদিকেল কেম্প অদুদা ইন্টরনেসনল এৱার্দী প্রেমিয়র মোইরাংথেম, সৈনা ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সকী প্রিন্সিপাল অথোকপম রাইটকুমারীসু শরুক য়াখি হায়রি।







# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৰাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৮।০৬।২০১৯ ইং, লৈবাকপোকপা, নুংথিল পুং ২.৩১ ফাওবা ইঙাগী ১৬নি পাল্লি, মতুং ১৭নি পানগনি।

মেষ : লন চাওখৎকনি, লৈঙাক্কী থবক্তা মাই পাকচবা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাজবা লৈগনি। মরুপ-মপাংগদি মরী ফবা অমদি লল্লোন-ইতিক কান্নবা ৰাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ : অশাওবা ফাথবা, খাঙবা কনবা, মী য়াম্না তিন্নদবা অমদি ৰা য়াম্না ঙাঙদবনা য়াইফবা ওইগদবা নুমিৎনি। অচম্বা চাবনা লনসু মাঙগদবদগী কঞ্জবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খোইরাং-খোইশাওবনা মাঙহনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিথুন : নীংজবা থুংবা, লল্লোন-ইতিক্তা চাউনা মাই পাকচগদবা নুমিৎনি অদুনা খুৎচাউ থাবা য়াগনি। অরিবা থবক্তগী অনৌবা থবক্লা হেন্না কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙংবা।

কর্কট : মাই পাক্কনি, মীচং লৈবা অমদি থিবা হুম্বগী কান্নবা ফংবা লৈগনি। নথক থোংবনা হায়বা লৌরদি শোইদনা মাই পাক্কনি। অনৌবা মীতোপ থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : অফবা মফম কঞ্জবা, মীয়াম্না চানবীবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনবা লৈগনি। মরুপ-মপাং অমদি অঙম অথৌনা চানগনি। লৈঙাক্কী থবক পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - কান্নবা ইফং ফংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কন্যা : থৌনা লৈনা থবক পাংবা য়াগনি, মরী মতা নত্রগা নক্ল বনা মতেং পাংবীগনি অমদি অফবা মীংচৎ ফংদুনা নুংঙাইগনি। অদুবু খুৎচাউ থাবদি য়াখিরোই।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

তুলা : ৰাখল নুংঙাইবা, মীচং হেনগৎপা অমদি নক্লবগী মতেংনা নচাক-নরল চাওখৎপা ফংগনি। হুরানবনদি তাথি । থেংলপ্না মীয়াম লোইনবগী নুংঙাইবা লৈ ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক : ওজা-গুরু তান্নদ্রদি তৌফম খঙদবা ওইগনি। চিন য়াঙদবা অমদি ঙক কন্দবনা অফবা ওইগনি। ঈরাং য়াম্না তৌরদি মীয়াম্না ফনা লৌবিরোই-মোং হাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবগী তারগা ৰা ঙাঙবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

ধনু : হরাওবা-নুংঙাইবা অমদি ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগদবা নুমিৎনি। ফিংদনা অমদি নাপল তৌদনা চৎচরদি মীয়ামগা মরী ফগনি। হন্থবা লোইরদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা খজিক খুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মকর : য়েৎনবদা মাই পাকপা ৰাগনি-হেন্নদুম চাদিং তৌগনি অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৰাৎলি। পন্দুনা লৈরুবা শেলদি থৌজিনবা য়াররনি,অঙম্বনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক লৈতে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

কুম্বা : য়েক্লা তিংখং লৈরোই অমদি অফবা মরুপ ফংগনি, ৰানোম-থৌনোম কান্নগনি অমদি মীরক্তা চংলগা নুংঙাইজগনি। অরাপ্পগী পাউদি নুংঙাইতে, চিন য়াঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থোইনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : লৈফম অমদি মীয়ামগী মতেং ফংবগী নুংঙাইবা লৈ। অনা-অয়েক নত্রগা য়েক্লবা কল্লি অদুনা ঈংনা চৎলু। লাইবক ফবনা অরুবা থবক্তি শোইদনা পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।